# HUEIYEN LANPAO

# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses


ৰাংজিং তেকচম লৈকাইদা লৈবা ১১৩শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফকী সী আই পোষ্টতা শকখঙদবশিংনা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বা মফম য়েংশিনখিবগী শক্তম



লামায় ৩

সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চসাদতা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা ভিক্টিমশিংদা রিলিফকী তেংবাংশিং পীখিবা



লামায় ৫

কোরোনাভাইরস থেংননবগীদমক ইন্দিয়া পূম্বদা পাঙথোকখিবা পব্লিক কর্ফিয়ু মনুংদা মণিপুরগী বি টি রোদতা ওইখিবা শক্তম



লামায় ১

মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা মোরে হোস্পিটালদা পীরকখিবা এদভান্স এম্বুলেন্স শীজিন্নবা য়াদনা লৈবগী শক্তম



লামায় ১

Vol. 43, Issue No.347 | নিংথৌকাবা, লমতাগী ২৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, Monday, March 23, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

# কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা লৌখৎলিবা চেকশিন-থৌরাংশিংগী মরক্তা অহোবা লৈরব্রা?

## ওটো, ৱিঙ্গর, মেজিক য়াওনা ষ্টেট অসিদা ওপরেট তৌরিবা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টম পূম্নমক থিংখ্রে, সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা মী ৪ নৎত্রগা ৪দগী হেন্না পূনবসু থিংখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২২(ঐচ এন এস): মালেম পূম্বদা মিপাইনরিবা কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা মণিপুরদা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মরক্তা অহোবা লৈরব্রা হায়বসি ৱাহং অমা ওইরক্লে।

লৈবাক অসিগী অয়াম্বা ষ্টেটশিংদা শন্দোরকখ্রবা মতুং মণিপুরদসু য়ৌরক্কদ্রা হায়বগী মিপাইবা লৈরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মীয়ামগী মিপাইবা কোকহন্নবা অমদি কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা মণিপুর লৈঙাক অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টনা মখল-মখা কয়াগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলক্লি। অদুম্মকপু লায়না-লাইওং অসি মণিপুরদা হেক শন্দোরকপা মতমদা হকথেংননা থেংনগদৌরিবা দোক্টর য়াওনা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা শীজিন্নগদবা পোৎলমশিং মরাং কায়না লৈরব্রা হায়বসি ঙসি ফাওবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মচা খাইনা লাউথোকপা লৈত্রি।

তোঙান-তোঙানবা লম্দা থবক তৌরিবা মীওই কয়ানা পাউচে অসিদা ফোঙদোক্লরকপদা, ষ্টেট অসিদা মীয়াম্না মিপাইনরিবা কোরোনাভাইরস য়ৌরক্লবদি লমদম অসিদা খূদোংথিনিংঙাই ওইবা অমা ওইহল্লক্কদ্রা হায়বগী মিপাইবা পোকই। হৌজিক লায়না অসি থেংননবগীদমক শেম শারি। অদুম্মকপু শেম শারিবশিং অসি মতীক চারব্রা হায়বা মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনহন্নিংই। মণিপুর পূম্বদা হৌজিক অপূনবা আইসোলেসন ৱার্দ কয়া লৈরবগে অমদি ৱার্দশিং অসিদা ফমুং কয়া থল্লবগে, লৈরিবা খরসিনা লায়না অসি থেংননবা হোৎনবদা য়ারগদ্রা, মণিপুর পূম্বদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংগী অপূনবা বেদ মশীংনা কয়ানো, হোস্পিটালশিং অসিদা ভেন্টিলেটর কয়া লৈরবগে, লৈরিবা খরা অসিনা লায়চৎ অসি থেংননবা হোৎনবদা মপূং ফারগদ্রা, দোক্টরশিং অমদি মেদিকেল ষ্টাফশিংনা কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লনবা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মণিপুরদসু পব্লিক কর্ফিয়ু মপূং ফানা চখ্খ্রে





ইম্ফাল, মার্চ ২২(ঐচ এন এস): কোরোনাভাইরস থেংননবগীদমক ইন্দিয়া পূম্বদা চখিবা পব্লিক কর্ফিয়ু মণিপুরদসু মপূং ফানা পাঙথোকখ্রে। মীয়াম্নসু পব্লিক কর্ফিয়ু অসিবু মপূং ফানা শৌগৎখি।

পব্লিক কর্ফিয়ু মনুংদা লম্বীদা তঙাইফদবা লাইনীং-লাইশোল অমদি অনা-অয়েক্কী খরা চৎনবা নৎতনা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ী অমদি লন্নাই গাড়ীশিং চেন্নখিদে। লম্বীশিং পূমতাক তাকখি। নুংথিল পুং ৫ তারকপা মতমদা কংলাগী ৱেষ্টর্ন গেট মপাদা লৈবা ট্রাফিক আইলেন্দদা সাইরেন খোংদুনা অমদি তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মীয়াম্না খূবাক খূদুনা, পুখম থিন্দুনা, কাংশি য়ৈদুনা কোরোনাভাইরস থেংননবা হোৎনবদা মথৌ তৌরিবা মেদিকেল টিমশিং য়াওনা ইসেন্সিএল সর্ভিসতা থবক তৌরিবশিংবু ইকাই খুম্নবা উৎখি।

তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু লম্বীদা মী থোক্লখিদে, গাড়ী চৎনখিদে, দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিংদা সাইরেন খোংনখি। মীওই কয়ানা মাগী-মাগী য়ূমগী থোঙ্গালদা থোক্লত্তুনা অমদি লৈরক মচীন্দা থোক্লত্তুনা খূবাক খূবা অমদি কাংশি খিংদুনা ইসেন্সিএল সর্ভিসতা থবক তৌরিবশিংবু ইকাই খুম্নখি।

## মপান্দা চৎলুবা মীওইশিং হোম দিপার্টমেন্টতা পাউ ফাওরক্নবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২২(ঐচ এন এস): জন্যুৱারী ১দগীনা ফেব্রুৱারী ২৯ ফাওবদা ইন্দিয়াগী মপান্দা চৎলুরগা মার্চ ১গী মতুংদা ষ্টেট অসিদা চঙলকখিবা মীওই পূম্নমক হোম দিপার্টমেন্টকী ফোন নম্বর ৮৭৮৭৬০৮৩১৫, ৯৮৫৬১-৭৪৫২৪, ৮২৫৬৯২১১২৪ অমসুং ৭০৮৫৪৫৫৬৭৫দা পাউ ফাওরক্নবা খঙহল্লক্লি।

মণিপুর লৈঙাক্কী স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) ঐচ জ্ঞান প্রকাশনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না হায়রিবা মীওইশিং অসিনা মমিং-মথা, চহী, লৈফম, মমা-মপাগী মমিং, করম্বা লৈবাক্তগী হল্লকখিবা, ইন্দিয়াগী করম্বা মফমদা থুংখিবা, ইম্ফাল/মণিপুরদা থুংলখিবা নুমীৎ অমসুং হৌজিক ওইরিবা হকচাংগী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

### মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

**ৱাংখৈময়ুম রোনেন্দ্রো (ইনাউ), খুন্দ্রাকপম মখা লৈকায়**



মালেমগী লৈবাক শিনবা থুংনা কোরোনাভাইরস শন্দোরক্লি। ইন্দিয়াদগী হেন্না চাউখৎপা লৈবাক্লি হায়নরিবা ইটালি কোরোনাভাইরসনা খ্বাইদগী শাথিনা শোকহল্লবা লৈবাকশিংগী মনুংদা মকোক থোংনা লৈরি। মেদিকেল সাইন্সকী লমদা খম থেংনা চাউখৎলবা লৈবাক অমেরিকা, চাইনা অমদি ইটালি ফাওবদা লায়না অসিবু কন্ট্রোল তৌবা ঙমদনা লৈরি। চান-থক্লবা, হীদাক-লাংথক অমদি শীজিন্নবা পোৎশক খুদিংমক্তা মীপান তাংদুনা মপান লৈবাকশিংদগী পুশিল্লক্লি। মরম অদুনা অৱাংপনা পীক থল্লবা নুংশিরবা ইরমদম মণিপুর অসিদা করিগুম্বা লায়না অসিনা পাক শন্না শন্দোরক্লবদি অচৌবা পোৎলুম অমা ওইবগা লোয়ননা অকিবগী মশক ওইদুনা মীকপ-মীরাউখোলতনা নিল্লক্কনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা লৈঙাক্না কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা অমদি শন্দোরক্তনবা হোৎনরিবা চেকশিন থৌরাংশিংগা ইরোইননা মীকুপ-নাহুম শিংনা হৌজিক ওইরিবা অমদি তুংদা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বনচিংবা ৱাফমশিংদা য়াম্না কুপ্না খন্থদুনা য়াইফনবা অখন্ননা থবক থৌরম পায়খৎহন্নিংই।

**নিংথৌজম তোমজেমস, লম্বাল অৱাং লৈকায়**



হৌজিক-হৌজিক লৈঙাক্না কোরোনাভাইরস লায়নাগী মতাংদা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাং তশেংনা থাগৎনিংঙাইহনি। অদুম ওইনমক পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অসি কাচিন-কোয়া য়ৌনা পায়খৎহন্নিংই। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা মতীক চাবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা হোৎনবদা তঙাইফদনা চঙগদবা পোৎলমশিং অমদি টেষ্ট তৌবদা শীজিন্নবা ইক্যুপমেন্টশিং লৈতবা অসিনা অমুক্কা হেন্না মীয়াম্না মীপাইনবা হায়বদু ওইরে। মণিপুরগী অথাপ্পা লোয়জিং লোয়াদা দ্যুটি তৌরিবা দোক্টরশিংসু পোৎলমশিং অদু লৈতবনা খুৎ পুনশিন্দুনা থন্বগা চপ মান্নরে। অহল ওইরবা অনাবা কয়া অমসু হোস্পিটালদা পুখৎপা হঙ্গোইনবদগী য়ূম-য়ূমদা ফমশেন্নবা কয়া য়াওনরে। মীয়াম্না ৱানরিবা চৈরক অসিদা পোৎ য়োনবা দুকান খরদদি পোৎচৈগী মমল হেনগৎনা য়োনবা য়াওনরে। মসিনা অহেনবা অৱা-চৈথেং পীবা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিদা লৈঙাক্না অখন্ননবা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়জরি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৱাটসএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫দা নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com, hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## মণিপুর প্রেস ক্লবতা মতম খরা প্রেস মীট পাঙথোকপা থিংলে

ইম্ফাল, মার্চ ২২(ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ৱর্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) অমসুং এদিটর্স গিল্ড মণিপুর (ঈ জি এম)গী অপূনবা মীফম অমনা লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না মতম খরা মণিপুর প্রেস ক্লবতা প্রেস মীট, কনফরেন্স অমসুং মীয়াম তিনবা থৌরম পাঙথোকপা থিংখ্রে।

অমজুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পাউ মীশিংবু কোরোনাভাইরসকী লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। কনাগুম্বা লন্নাই মীওই/ওর্গনাইজেসন অমনা কৌবা প্রেস মীটতা রিপোর্টর/করেস্পোন্দেন্টশিংনা শরুক য়ারোইদবনি। ওর্গনাইজেসন অমসুং লন্নাই মীওইশিংনা প্রেসতা করিগুম্বা ৱাফম খরা ফোঙদোক্লিংবা লৈরবদি রেকোর্দ তৌরগা তোঙান-তোঙানবা মীদিয়া ফার্মশিং নৎত্রগা ওথোরাইজ তৌরবা ৱাটসএপ্ নম্বর ৮৯৭৪২৮৩২১৪ অমসুং ঈ-মেল amwju1974@gmail.com দা থাবীরক্কদবনি। হৌজিকমক্কী

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## আর কে ইমোনা লুপা লিশিং ৫০ কৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২২(ঐচ এন এস): খূদোংথিনিংঙাই ওইরবা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্না লৌখৎলিবা থৌরাংশিংদা মতেং ওইননবা সগোলবন্দ এ সীগী এম এল এ, আর কে ইমোনা লুপা লিশিং ৫০ কৎখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা এম এল এনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা মীপূম খূদিংমক থৌদাং লৌমিন্নবা মথৌ তাই। লৈবাক অসিগী ওইনা লাক্কদৌরিবা চয়োল খরা অসি য়াম্না মরুওইবা তাঙ্ককনি। রিছোর্স মরাং কায়না লৈজদবা ষ্টেট অসিদা করিগুম্বা লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোরকপা তারবদি কা-হেন্না

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসনা শিহনখিবা মীওই ৭ শুরে, অপুনবা কেস ৩৯৬ য়ৌরে

### তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী দিষ্ট্রিক্ট ৭৫ লোকদাউন তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২২ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসনা শিহনখিবা মীওই পুন্না ৭ শুরে অমসুং খুদোংথিনিংঙাই লায়না-লাইচৎ অসিগী অপুনবা কেসনা ৩৯৬ য়ৌরে।

বিহারদা ঙসি মশাগী চহী ৩৮ শুরবা মীওই অমা লায়না অসিনা মরম ওইরগা শিখি। হন্দক্তা কটারদগী হল্লকপদা ঙাইরিবা মীওই অদু পটনাগী ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)তা লায়কন্নরম্লগা শিখিবনি হায়না বিহারগী হেল্থ সেক্রেটরি সঞ্জয় কুমারনা ফোঙদোকখি। ষ্টেট অসিদা কোরোনাভাইরসনা শিহনবা মীওই অসিনা অহানবনি।

মহারাস্ত্রদসু মশাগী চহী ৬৩ শুরবা মীওই অমা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা শিখি। দাইবেটিস, হায় ব্লদ প্রেসর অমদি হার্ট দিজিজ নাবা মীওই অদু মুম্বাইগী প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা ঙসি অয়ুক শিখিবনি। হৌজিক ফাওবদা কোরোনা-ভাইরসনা কনার্টকা, দিল্লি, পঞ্জাব, বিহার অমসুং গুজরাটতা মীওই অমমম শিহনখ্রে। মহারাস্ত্রদনা মীওই অনী শিখি। কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ষ্টেট মহারাস্ত্রনা ওইরি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক মপান লৈবাক্তগী লাকপা মীওই অহুম য়াওনা অপুনবা কেস মশিং ৭৪ শুরে। কেরলাগী ৬৪, পঞ্জাবগী ২১, দিল্লিগী ২৭, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ৪, লদাখকী ১৩, রাজস্থানগী ২৬, উত্তর প্রদেশকী ২৮, কর্নাটাকাগী ২২, টামিল নাদুগী ৬, তেলঙ্গনাগী ২২, হরিয়ানাগী ২২, অন্ধ্র প্রদেশকী ৬, হিমাচল প্রদেশকী ২, গুজরাটকী ১৮, উত্তরখন্দগী ৩, ওরিষাগী ২, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ৭, চান্দিগরগী ৮, ছটিসগরগী ১, মধ্যা প্রদেশকী ৫ অমসুং বিহারগীনা কেস ২নি। হৌজিক ফাওবদা লায়েংলগা ফখিবা মীওই পুন্না ২৪ শুরে।

মালেমগী ওইনা কোরোনা-ভাইরসকী অপুনবা কেস মশিং

...মখা লামায় ৩ কলম ৬


RM/H-17-Adv/2020/03

**PRESS RELEASE**

Imphal , the 22nd March, 2020

All OPDs and Routine Operations shall be discontinued at Raj Medicity

In the impending danger of COVID-19 in the State, all OPDs and Routine Operations shall be discontinued from 22nd March 2020 untill further order.

Only Emergency and Trauma Centre shall remain open and Emergency Operations shall be carried out.

Visitors are strictly restricted.

Sd/-
Dr. Aribam Ibotombi Sharma
Medical Superintendent

RAJ MEDICITY
HUMANITARIAN SERVICE WITH DEDICATION
Regd. No. MNHCR/NO/060/NH/2004

IAS-ANZ

HL-P/6653/23



BOOK ONLINE TODAY

BEST & AFFORDABLE CAB SERVICES IN MANIPUR



MANIPUR CAB SERVICE 24X7

Power by: IMPHAL FINANCE

For Booking

Dial:

1800-345-3838

8258070746

9402267525

TRACK YOUR RIDE IN REAL TIME. KNOW HOW FAR YOUR RIDE IS.

GET IT ON Google Play DOWNLOAD 100% FREE APP

Office Address: M.G. Avenue, MDU Building, 2nd Floor

HL-P/6156/15/2-20/3

HL-B/6140/23



Help us to help you

NATIONAL HEALTH MISSION

**novel Corona virus**

**COVID-19**



**Protect yourself and others !**

**Follow these Do's and Don'ts**

HOME

Stay at home

Wash hands frequently with soap & water for 30 sec

Cover nose & mouth with handkerchief while coughing or sneezing

Avoid large crowds, physical distancing is the best

Avoid touching eyes, nose & mouth with hands

Wear a mask only if you feel unwell or have
* cough * fever * difficult breathing

**Together we can fight Coronavirus**

**If you need HELP**

Call 24x7 COVID-19 CONTROL ROOM

2411668 (from landline)

0385-2411668 (from mobilephone)

Issued in public interest by :

Directorate of Health Services, Manipur
&
State Health Society, NHM, Manipur


## HL Poll

Q: Coronavirus thengnanaba authority na loukhatlakpa thourangsingda pumnamakna mateng panghanningbagi apamba leibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Coronavirus shandokkhraba mafamsingda chatluraga Manipur da hallakkhraba mee-oisinggi akhannaba quarantine centre thamhanningbra?

Yes 90% No 10%

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩২.৯৪ °C

খ্বাইদগী ঈংবা ৮.৮ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.০৫ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৫

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৭

## অস! লোইরেহে!

- হন্দক্কী লায়না অসিদি হনু-হনাদা নারবদি হিংগন্দে হায়রিনে...!



- ইটালিদদি হনু -হনাদি লায়েংলরোই হায়নবু তাইদা...!